# ইমা! ইমা! ইমা! ... নুপী-নুপা অনীমক্কী থৌপুবা ঙস্বীনি

-ডা. নোংমাইথেম প্রমোদিনী -

*হে ইমা! তেংবানবগী থৱায় পানবা খিবিকপু শেম্বী শাবিরিবী, অহাঙবা তরং অসিদা তেংবানবা শেম্লিবা ইবুংঙো মঙোন্দগী থোরক্তুনা তরং অসিদা কোয়না লেঙনা লৈরিবীনি।...*

*ইমা হায়বা মিঙ্গৌনা কৌরবসু ইপাগী মথৌ খুদিংদা শরুক য়াদুনা ইপাগী শক্তম ওইরিবীনি। ইমা ওইবী নুপীশিংগী শাজৎ লমচৎ শেম্লিবীনি।...*

*ফৌওইবী, ঙারৈমা, থুমলৈমা, ঈরৈমা, খাম্বীলৈমা, শিনৌ-লৈমা, মহৌলৈমা অসিগুম্বা লাইরেম্বী ওইনা শক ওন্থোকঙম্বীনি। (লৈমরেন মিংখৈ)*

মণিপুরী খুন্নাইগী য়ূমথোঙ অয়াম্বদা খুভম য়াদুনা কিনা লুনা লাৎচরিবা ইমা লৈমরেন শিদবীগী মতিক ময়াই শৈথাবনি। শৈথারোল অসিগী অথুপ্পা নুংলোনসু লৈতবা নত্তে। নুপী ওইবীশিংদা য়াওরিবা মতিক ময়াইশিং অদুনা নুং-পান ফাওনা উবা ঙম্বা শৈথারোলনি। ফত্তবা অরানববু মায়োক্নবদা খাম্বী মৈগী মশক্নি। থৌজান হৈবদা লাইজা ঈশিংগুম্বীনি। তাইবঙ চীঞ্জাক য়েনবীদুনা থৱায়শিংবু য়োকপী থাকপীরিবীনি। মহৌশা লাইরেম্বীগী শক্লোন ওইবী ইমানি। ইমা লৈমরেন শিদবীদি নুপী-নুপা অনীমক্কী থৌদাং লৌবা ঙম্বীনি। অসিগুম্বী ইমাগী শাইওন্নি নুপী। মদুনা ওইরম্বা য়াই, ইমা হায়না মিংগৌনরল্লিবসি।

মণিপুরগী ওইনদি লাই হাক্তক্তগী হৌনা ইমাশিংনা হীরম অয়াম্বদা মফম কন্দুনা লাক্লি। লৈঙাক্কী চৎন-কাঙলোন অমদি খুন্নাইগী চৎনরোল মনুংদা নুপা-নুপীগী মশিন-মথৌ খায়দোক্লম্মী। অদুবু তাঞ্জানা য়ারক্তবা মতাংদা চৎন-কাঙলোনগী চৎনরোলগী লৈই লান্থোক্লককখিবা মতাং কয়াসু য়াওখিদবা নত্তে। খুদম ওইনা হায়রবদা লৈমা লিন্থোইঙম্বীনা ইমা লৈবাকপু কনখিবগী থৌদোক ৱারী ঙসি ফাওবা শরু-শোন্নরি। মহাক্কী লুচিং মখাদা অঙম অথৌশিংগী তালোয়শিং অমদি অতোপ্পা নুপীশিংনা শাপোৎ-লানপোৎ শেৎলমদ্রবা কংলৈ লৈবাক করি ওইরমগনি! ঐখোয়দি নুপীনি নিংথৌ অঙম-অথৌ অমদি লান্মীশিংনা শেৎকদবা লানগী ফিজোল শেৎপা য়াদে হায়দুনা কপ লাউদুনা অশোনবী মতৌ উৎলম্লবদি য়েক্লবগী খূবাম্লুংদা তারম্বা শোয়দবনি। অদুবু থৌনা ফবী লৌশিং চঙখোনবী ইমাশিংদুনা মতিং মথৌনা ফূদোক্তুনা মণিপুরবু কনখি।

*করিনো মাগী নুপাগী ফিরোয় লোইখিবদা ঙায়রি, মসিগী নুপীসে মওং অমা তৌরক্লে। কদাইদনো মানা চৎলিসিবো?* মনুং মতম চাদনা মপুরোইবা শেৎন-খাইনখ্রবী নুপীশিংদা য়েংশিনবা হায়গদরা পাউথোকপীবা হায়গদরা চিবোন-চিবোন ঙাঙনবীনি। মচা য়োকপা-থাকপা শেম্বা ঙম্লনবা নোমজেন চেন্দুনা হোৎনরিবা শেল-থুমগী ফীভম শোথরপ লৈবী লুখ্রা শীংদা চলহৌরবশিংগী মরায়বক্নি। নুপী ওইবীশিংবু ইচেনি ইচন্নি ইমানি খনবা ঙমদবা কয়া খুন্নাই অসিদা লৈরম্বনা মখোয়বু লাইবক থীবী ওইহনবসু কোঙ্গায়নি। নীং তম্না নোকপা ফংজ দবা, শেৎনীং-ইন্নীংবা ফিজোল চাবদা খৌনাওদা ঙা মরূ পনবগুম থোকপা মতাং কয়াসু য়াওরক্তবা নত্তে। নাকল অমরোমদা পাখ্রা ওইহৌরবা অমগীদমক থরক ফাকপীবা হায়নবা, ঙাঙনবা ইৱায় ইথিলনি - *মতৌসে য়েংবা ঙমদ্রে। ইমুংসে লোইশিনবীনবা নুপী অমা থিজিনবীবনা ফরে। নৎত্রবদি কাং-খোং চাইরনি।* মসিদনি নুপীগা নুপাগা খেন্নরিবসি। অমরোমদদি নুপী ওইবীশিংগীদি চাওথোক্লিংঙাইনি। কল্লে থৌরে মথক থোংলে হায়নরিবা নুপা ওইবশিংনদি নুপীগী থৌ পুবা ঙমদে। পাঙ্গল শোনবী মীখা পোনবীনি হায়রিবা নুপীনদি নুপী-নুপা অনীমক্কী থৌ পুবা ঙম্মী।

থাঙ্গৈশেংনমক হায়রবদা ইমা-ইপা অনীমক্কী মথৌ পাঙবা ঙম্বী ইমা লৈমরেন্না মতিক ময়াই হাপ্পীরবী মণিপুরগী ইমাশিং ওইবনরা, লুর-লুরবা মতাংদা মতিক মথৌনা হেক হেক উৎলকখি। ইমুং মনুংগী কূপ্লোমদগী হেন্দোক্তুনা ফিশা-লোনশা, লৌকুম-শীংকুম, শীংজন-কৈজন, ইন্থা-লোংখোন, ফৌশু-চেংশু, ললোন-ঈতিক শোক্তবা য়াওদবা মফম লৈতে, ইয়াওদা য়াওই। লৈবাক্কী থৌদোক ৱাথোক্তসু ফন-ফন চোঙথোরকখিবী লমদমসিগী ইমাশিংনি। ময়েক লারবা খুদম হায়ববু কুমজা ১৯৩৯, দিসেম্বর ১২গী *নুপীলান।* চাকখুম মৈ মূৎপগী অৱাবদু খক্তমক নত্তে মতমদুগী ইমাশিংনা উখিবদু। বৃটিশ লোইলম মখাদা লৈখিবা মণিপুর লৈঙাক্লোনগী অরানবা অশোয়বা কয়া অদু খঙখিবী ইমাশিংনি। লীশাং শিংনা চখ্রকখিবা লৌয়াম চাবা শেঞ্জাও পায়বা অঙম-অথৌ, খমতোং-য়াইতোংবশিংনা মীচম মীয়ামগী হুমাং ঈরিক থকপা মচৎকী মায়োক্তা হৌরকখিবনি। মতম কুইনা থনুংদা নমশিন্দুনা থল্লম্বা পেন্দবদু মপান থোরকপনি। শেঞ্জাও পায়বা মীতোপ মীরানচা লল্লোনবশিংগী খূবাম্লুংদা তাখ্রগদবা মণিপুরগী শেন্মীৎলোনবু কন্ননবা হৌরকখিবা ঈহৌনি। মণিপুর মীয়ামগী চাকখাওদা শীংনরকপা লাল্লোংবু পূক্লিং থৌগৎপা লৈঙাক্কী থৌদৌবু তূমিন্না য়েংদুনা লৈবা ঙমখিদে। খ্বাইরম্বন্দ ইমা কৈথেল লাইরেম্বীনা থৌনা পাঙ্গল লৌশিং হাপ্পীখিমাল্লে, লৈবাক খুন্নাইগী শেন্মীৎলোন কন্নবগীদমক নীংহন্নবা লৈতনা চোঙথোরকখি।

মতমদুগী লৈঙাক্না ইমাশিংবু উশিত্তবৈ চাংদি ফোর্স থাজিল্লগা নোংমৈ ফাওবা শীজিন্নদুনা ইমা কয়া অশোক-অপন নংহল্লি। মদুনসু পেন্দ্রদুনা ইমা কয়া ফাদুনা জেলদা থাজিনখি। ঈহৌদুবু নমথনবা লৈঙাক্কী মওং মরীল তাদবা থৌওংদুদা ইমাশিংগী থৌনা হনবীবদি হায়রুনু অহোয়নদুম কনখৎখি। খ্বাইরম্বন্দ কৈথেল পুমথিংনি। কাইনথংদা কান্নররোই খঙলকপা মাল্লি, ইমাশিংনা তানখিবা মরু ওইবা দিমান্দ ওইখিবা মপান লমদা চেঙ থাদোকপা থিংবগী ওর্দর লৈঙাক্কী মায়কৈদগী থোরকখি। তমজনীংঙাই ওইবদি ইমাশিংগী ঈহৌদুদা মণিপুরদা দেমোক্রেটিক রিফোর্ম পুরক্লবা ৱাফম য়াওরকখিবদুনি। তশেংনমক হায়রবদা বৃটিশ লৈঙাক্কী নাপন ময়াই য়ৈথৎখিবা *নুপীলান-১৯৩৯* নি। ইমাশিংগী ওইনদি অৱাবা খুদোংথীবা খরা মায়োক্লুরবসু তোংজবৈ তোংজবা ঙাক্লি। লীশাং শীৎনা চখ্রকখিবা মীনা মীবু নমথবা ওৎপদা হালেংদ্রবা শুপ্লম ফম্নাইবগী লৈঙাক পামদ্রে হায়বদু থৌনা ফনা উৎপা ঙমখিবা তাঙ্কক্লি। পুৱারীগী লমায়দা মমি তাখ্রবা থৌদোক্লি। মৈনসু চাকথেকপা ঙল্লরোইদবা, ঈশিংনা চামথোকপসু ওইথোক্লরোইদবা, নুংশিৎ-নুংশানসু ময়েক শিথহল্লরোইদবা মণিপুর নুপীশিংগী মতিক মথৌনা ফূদোকখিবা তাঙ্কক্কী থৌদোক ৱারীনি।

ইমা লৈমরেনগী থৌজান ফংলবী লমদমসিগী ইমাশিংগী ৱাখল লৌশিং থৌনা হাপকৎপদা *নুপীলান -১৯৩৯* না লমজিং পাম্বৈ ওইরি হায়বা য়াই। থেঙ্খাং থেঙ্খাং কয়াদা মণিপুরগী অপূনবা শক্তম অমদি অতোপ্পা হীরম কয়াদা তত্তনা শীংনদুনা লাক্লি। অসিগুম্লবা মতাং কয়াদা ইমাশিংনা মাঙজিল থানা চোঙথোক্তুনা লাকখিবনি। ঙসিদি ইমা মণিপুর মৈশা লাংলি। কুইরে ইমাশিংনা চারম-থল্লম খঙলক্ত্রিবা, তূম্বা-হীপ্পা নে-না তারক্ত্রিবসে। ৱারে হায়দুনা হনবীগদবা ইমাশিং নত্তে। মরমদি ইমা লৈবাক মণিপুর কন্দবা য়াদে। নুপী-নুপা অনীমক্কী মথৌ শিন্থা পাঙথোকপগী থৌনা লৌশিং লৈবী মরীন পানবী ইমাশিংনি। তঙাইফদ্রবদি লানগী লাইরেম্মগী শক্লোন লৌরকপসু য়াই। মতাংসিদা মমা অমা ওইনা হায়জনীংই - *নুংশিরবা ইচাশা! অশাউবনা পন্দোম লোম্লবা ইচা খরনা সোসল মীদিয়ানচিংবদা ফজদবা ৱাহৈ-ৱাতা শীজিন্নবসিসু লেপ্লসি।* ●

# লাইনা করি শিল্লিবা

- নবকুমার ওইনা -

লাই থাজনরিবা মীয়ামসি মালেমগী লৈমায় অসিদা চরক-চহিং নাইবা থবক তৌবা খ্বাইদগী হেনবা শা হায়বদু ওইরি হায়রগনি। মালেমগী মচি-মচিদা লাইগী মিংদা মীচং চংনবা, কাঙলূপ খায়দোক্লুরগা হাৎনবদু লমদম অসিদসু য়ৌরক্লে। মাগী-মাগী অপাম্বা ফংনবা হোৎনবদা লাইগী মিং শীজিন্নবা হেক্তা য়াওনরকই। লাই হায়বদু খঙনরবরা হায়বা ৱাহং লাকই। খঙদনবু লাৎলি হায়ব্রা?

লাইনা মী শেম্মী হায়বসি মীওইবনা হায়বনি, লাইশিংনা হায়বা মীওইবনা তাহৌবা ওইরোই। মতমদুদা মী লৈত্রিবনি। মসিমক লৈখাই তাদবদগী মীওইবগী কোক্তা চরক-চহিং নাইবসি অদুম য়াওদুনা লাকখ্রবনি। হৌজিক্তি লাই নীংবা মীবু উদ্রে, লাই খুরুম্বা মীদি ময়াম অমা উনরি, লাই লাৎপা মীসু ময়াম লৈরি। মখোয়গী মরক্তা করিগী খৎনবা চৈনবা থোক্লিবনো? লাইনা লাল্লিব্রা, মীনা লাল্লিবরা? লাই লৈ হায়রবদি লাইদা ৱারৌগদ্রা, লাইবক্তা তায়নগদ্রা? হায়নীংলিবদি অনীমক নত্তে, অদুম্না খনবদু লাল্লি হায়বসিনি।

ঐখোয়না খঙনরিবসি লাইগী মিং পন্নরবসু লাইনা শিনবা নত্তে। চহী লিশীং-লিশীং লানখিবগী মহয়দু ঙসিগী লাইবক্তা তম্লকপনি, মসিমক ঙসিগী মীয়াম্না খঙনরগদৌবা ৱাখল্লোন অমা ওইরক্লবনি। মদু খঙনদ্রিবমখৈ খৎনখিগনি, হাৎনখিগনি। লাই মীনম চানদুনা অমনা অমবু নমথনবা, তুহৎনবা য়াওনরিবমখৈ ঈং-তপ্পা লৈবা ঙম্লবগী ৱাফম লৈত্রিবনি। কাঙলূপ অমনা কাঙলূপ অমদা পুৱারী শেমজিল্লি হায়বা য়াওনরি, পুৱারী শেমজিনবা য়াওদবা ফূরুপ্পু য়াওরিব্রা? ঙসিতা খঙনরকপগুম্না ঙাঙনবা মী ময়াম থোক্লরক্লে, ৱারী শাবগী লোম্বা নাইনদ্রি। ৱাখৈ অমা খঙলবা মী য়াওবগী মওংদি উদ্রি, কনাগুম্বা য়াওরম্বদি য়াই। চুম্বরা, য়ারদরা, চৎনবা ঙল্লদরা হায়বসি কনানসু খঙনরবা নৎত্রি। অদু য়ৌনা ঐখোয় লাল্লি খঙদরি; অদুগসু ঐখোয়তনা কনবা, ঐখোয়না ঙম্বা মান্না ঙাঙনরি। কনাগুম্বা অখঙবনদি নোক্লিংলম্বসু য়াই খল্লকই। অমনা অমদা পঙতায়দা তায়নবসি লাই নীংবগী শাজৎ ওইগদৌবা মাল্লক্তে, শাওখ্রবসু লাইগা লাপ্লবা মাল্লকই। লাইগী মফম কল্লবসু লাইদু নীংনদ্রবদি করি কান্নগদৌরি। চুম্না লাইদু নীংশিংবসি লাই নীংলবনি হায়বা য়ানরক্লোই। হে-লৈ খরা কৎলগা পঙয়াদা য়াবা ওইনা উহল্লবসু চুমগদৌবা মাল্লক্তে।

মী মশীংনগা য়ামজদবনে, মীনা শীজিন্নবা লোইরবা ইচা য়াম্না পোক্লসিকনা হায়নরকপা য়াওরক্লি। খরনা শান্নখি, খরনা জগোয়দা, কাওনবগা-থিন্নবগা, দ্রগকা য়ুগা, রেষ্টুরেন্টকদা; লৈবাক নীংবা মীসি ঈরেম লেমহৌদ্রে খল্লুরবনি। হন্দক্তি খঙয়াম য়ামখৎলক্লি, ঈচাওবু থোক্লে। মসিদা মায়কৈ অমা লেপ্পসি অরায়বা ওইরোইদৌরি খল্লি। অখঙ-অহৈশিংনা পূন্নবগী ৱা হায়বদি তারে, পূন্নবগী কাঙলোন পুথোকপদি তাদ্রি। পূল্লসি হায়রবদি পূন্দ্রিবনি হায়বা খঙবা য়ারে, হায়নদ্রবা মতমদা পূনবা লোইরে হায়না লৌবসু য়ারনি।

লাই তোংলবশিংসি লাই নীংলবনি হায়গদ্রা, লৈবাক নীংবনি হায়বসু য়াব্রা? লাইগীবু লৈবাক লৈব্রা, লোইনমক লাইগী লৈবাক ওইহন্নীংই। লাইনবু লৈবাক তোঙান চাবা য়ানীংব্রা, লাই খরদি লমদমসি য়ৌরক্লবনি। লৈবাক তোঙান চাবা লাইদি লাই মচানি হায়রোইদ্রা? মফমসিদদি লাইগী লান ঙাক্তা, হৌজিকসু লোইদ্রি হায়গনি। লাইনা হায়বগা, লাই তোংবনা হায়বগা, ফৈজোম শেৎপশিংনা ঙাঙবগা, ফিঙাং শেৎপশিংনা ঙাঙবগা, কোর্ট লিৎপনা ঙাঙবগা অমত্তা মান্নদ্রি। নোংমৈ পায়বশিংনা হায়রিবনা অমুক তোঙাল্লি। তোঙান-তোঙানবা লাইশিংগী তুংইল্লিবা মীয়ামশিং পূনবা য়ানদ্রি, অদুগা কমদৌনা পূনগদৌরিবনো? পূন্নসি হায়রবদি লাই থাদোক্লসি, খঙবোয়-খঙদবোয় পঙনীং নীংবা ওইরবদি কদাইদগী পূনবা য়ানরদগে। থোক্লিবা ৱাসি লাই মতুং ইন্নবশিংনা থোকহনবা নৎত্রাও, খঙনরক্লবদি করিগী ইকায়রোইদৌরিবনো? মদু খঙনরকপদগী লাইশঙ থাদোক্লখিবা লমদম ময়াম লৈরক্লবনি। লাই থাজদবগী নত্তে, য়ূমদা হোমৱার্ক ওইনখ্রবনি। ঐখোয়গীনা সড়ক তানরকপা মাল্লক্লি। লাইদা ঙাওরগা লৈনরবদি লৈবাক নুংশিরিবনি হায়বা কাউনরকপসু য়ারিবনি। লাইদা-লাইদাদা লৈরে, মশাগী লাই থাদোক্লগা মীরৈবাক্কী মীচং চংবসু য়াওনরিবনি।

লৈবাক অমা হায়বসি লাই অমা থাজবদা লৈরে হায়বা য়ারক্ত্রবনি। মদুদি ৱাথোক শাগৎপনি হায়রবনি। লৈবাক অমা হায়বসি লৈবাক অদুদা লৈগদৌবা মীয়াম অমগী কোক্তা লৈগদৌবনি। অদুননি, খোমজিন্নরগা ৱাখল শাগৎনরিবসিনি। মীনা খোম্বদা য়াখ্রগনা ঐগী মাঙজবা শোয়দ্রে, ময়াম অমা মাঙনরিবসি উনা-উনা খঙনদবসু কোঙ্গায়নি। কৌব্রুদমক মহায়বা কোক্তি য়াওদ্রবু কদায়দগী লৈবাক্তু লৈরদগে, অদুনবু মাঙখ্রবনি। ঙাপ্লুম মমৈদা খূৎচপ্পীনা চপ্লগা ইচা খোমদোনবী য়াওল্লকউ হায়বনদি কদায়দগী মমৈবু ময়ানা চিকপা ঙম্বা লাই ওইরদগে।

মহিংলেন্না হিংহল্লে, ৱাখলনা থাংদুনা পুরে (থাংজিং), এম/টার্গেট- মপা খঙনা থবক শুরে (পাখঙবা), থবক্কী মহয় ফংববু নোংদম্বা - শেম্বীবা-শাবীবা (নোংশাবা), ৱাখল ৱাংনা শিববু (ৱাংপুরেল) পুন্সি কৌরে। মসিদবু কনাগী লাইনা মী ওইনা পোক্লিবনো, পোক্লবদি লাই নৎত্রে, লাইগী মচা-মশু ওইরে। পোক্লম্বা ইপা-ইপুনা নোঙ্গাখ্রবদা লাই ওইখ্রে খল্লে। ৱারী শাফম্বু লাইবুং কৌরে, ৱারী শাহৌদ্রে লাই মাঙলুরে। মী ওইনা পোক্লম্বা খুদিং ইপা ইপুনি খনবা ঙম্বদুনা অতিংকোক (ব্লেক হোল্ড) খঙবা ওইরোইদ্রা? হায়বদি ৱাখল পাকথোক ঙম্বা তাবনি, থিওরি ওফ রিলেটিভিটি খঙবসি লাই নীংবা ওইরকই, তৌরিবনা ইনর্জিননি (লাইনি)। ইশা খঙবা তারবদি মালেমসিগী মাস খরনা শাবা হকচাং অসি মালেমগী শরুক অমনি। নুংশিৎকী মনুংদা লৈবা অমনি, ঈশিংদা লৈবা ঙা, লৈনুংদা লৈবা তীল ঐখোয় অহুম্মক মালেমগী মচাক্লি। তীল-কাংগুম্না পংচিক চিক্লবসি মী মাল্লক্তে, মীওইবনা মালেমসিগী লৌরিবা থৌদাং কাউরকই।

মীতৈগুম্বা ফূরুপকী মমিং মাঙলকই, লম মাঙলকই, লৈমায় মাঙলকই, মীংচৎ মাঙলকই, লীচৎ অমসুং লোন পূম্নমক মাঙলকই। ●

# ৭৬শুবা চীং-তম অপুনবা নীংশিং মীফমদা কম্যুনিষ্ট পার্টিগী ফীরেপ

- এল সোতিনকুমার -

মণিপুরগী পুৱারীদা লেন্দমার্ক ওইদুনা মতম পুম্বদা লৈরিবা, অদুঙৈ কুমজা ১৯৪৭কী নবেম্বর ৩০দা, মণিপুর দ্রমাটিক য়ুনিয়ন, ইম্ফালদা ফমখিবা চীং-তম অপুনবা মীফম অদুগী নীংশিং থৌরম ঐখোয়না ঙসি পাঙথোক্লি। লুচিংলেন হিজম ইরাবতকী লমজিং মখাদা পাঙথোকখিবা মীফম অসিগী রেলিভেন্স অদু ঙসিসু হেন্না লৈরক্লি। মণিপুরী নেসনেলিজম অমদি মণিপুরী নেসনহুদপু মপাঙ্গল হেন্না হাপ্লবা অমসুং চেৎশিন্নবা ঙসিগী মীরোল ঐখোয়না হোৎনজবদা এম দি য়ু মীফমগী অকনবা ইনোৎ-ইথিল পীবিরি। ইচম চম্না নীংশিংবদা নত্তনা য়াইফরবা মণিপুর অমগী তুংলমচৎ অমা নিংথিনা শেমগৎনবা লেপ্তুনা হোৎনবা তঙাইফরক্ত্রি। ৱাখল্লোন অসিগী মখাদনি নীংশিং মীফম অসি পাঙথোক্লিবা।

মণিপুরীশিংনা ষ্টেট অসিগী অপুনবা শক্তম মতম চুপ্পদা কায়হন্নীংদে। মসিবু থৱায়না পোন্থা পীদুনা ঙাক শেন্দুনা লাক্লি। ইরোয়ননা পুর্ব্বাঞ্চল প্রদেস শেম্বগী ৱাথোক্তগী হৌরগা থেঙ্খাং কয়ারক্তা মসিবু শীংনরকখিবা ইন্দিয়া লৈঙাক্কী ফত্ত-থৌশিলশিং মায়োক্লদুনা লাক্লি।

হিষ্টোরিক ওইখিবা চীং-তমগী অপূনবা মীফম অদুগী জিও-পোলিটিকেল বেকগ্রাউন্দ, নেরেটিভ অমদি মতম অদুদা মায়োক্লখিবা মণিপুরগী অপুনবা লীচিংগী হীরমশিং নীংশিংবা থোইদোক্লা মথৌ তাই খঞ্জে।

মণিপুরগী অপূনবা শক্তমদা এন এন সিগী ঈথিলনা শীংনরকখিবা তানফম কুমজা ১৯৪৭কী নবেম্বর ৩০দা লুচিংলেন হিজম ইরাবতকী লমজিং মখাদা ষ্টেট অসিগী চীং-তমগী অপূনবা মীফম অমা ইম্ফালগী মণিপুর দ্রমাটিক য়ুনিয়নগী হোলদা পাঙথোকখি। তশেংনমক হিষ্টরিক ওইখিবা মীফম অদু মণিপুরগী অপুনবা শক্তম ঙাক্লবা অমদি খুন্দামিন্নরিবা ফূরুপ-মশেলগী মরক্তা হেন্না মরী চেৎশিন্নবা পান্দমদা য়াম্না তাঙনা পাঙথোকখিবা মীফম্লেন অমনি। অসিগুম্বা অপূনবা মীফম অসি ঙসিদি চহী ৭৬ মপুং ফারক্লে। লোয়ননা মসিনা চীংমী-তম্মী মীয়ামদা পীরমখিবা অপূনবা ৱাখল অমসুং অচেৎপা লীচিং অদু হৌজিক এন এস সি এন (আই এম)না ষ্টেটকী অপূনবা ফূরুপকী শক্তমদা শীংনরক্লিবা লোয়ননা হৌখিবা মে ৩দগী মপান্দগী চঙলকপা কুকী লালহৌবশিংগা সূদা লৈবা কুকী টেররিষ্টশিংগা লৌতুনদুনা তোঙানবা লৈবাক অমা শেম্নবা লান্দারক্তুনা মীশি-মীনা, অমাঙ-অতা কয়া থোকহন্দুনা মণিপুরগী অপূনবা শক্তম থুগাইনবা হোৎনরক্লিবা তাঞ্জা অসিদা অপূনবগী ৱাখল্লোনসি হেন্না কন্না পুখৎপা মথৌ তারক্লি। ইরোয়ননা অপূনবা মণিপুর অমগী য়াইফরবা তুংলমচৎ অমা নীংথিনা শাগৎপা তঙাই ফদে।

এম দি য়ুদা পাঙথোকখিবা মীফম অদুনা চীং তমগী পোলিটিকেল পার্টি, সিভিল সোসাইটি অমসুং রিলিজয়স নেস্নেলিষ্ট মুভমেন্টকী লুচিংবশিংগী অপূনবা ফ্রন্ট (য়ুক্তো ফ্রন্ট) অমা শেম্নবা ৱারেপ তাখি। ফ্রন্ট অদু শেম্নবগীদমক অপূনবা মীফম অমা অমুক কৌনবা মখাগী মীওই ১০ অসিনা শাবা ওর্গনাইজিং কম্মিটি অমা শেমখি।

১) এম কে সিমরে - তাঙ্খুল্লোং, (২) লুনে - কুকি নেসনল এসেমব্লি, (৩) কখাং গাই - কবুই এসোসিএসন, (৪) তেবা-খুলমী য়ুনিয়ন, (৫) জেনা-মিজো য়ুনিয়ন, (৬) শ্রীযুক্তা লম্ফেল - মীতৈ মরুপ, (৭) ইবোমচা-মণিপুর কৃষ্ণক সভা, (৮) এম ইবুং ঙোহল-নোংপোক অপূনবা মরুপ, (৯) ইরাবত, মণিপুর প্রজা সঙ্ঘ অমসুং (১০) সুলৈ মিয়া য়াইরিপোকনি।

ওর্গনাইজিং কম্মিটিগী প্রসিদেন্টনা ইরাবত অদুগা তাঙ্খুল্লোংগী লুচিংবা এম কে শিমরেবুনা সেক্রেটরি ওইনা খনখি। অপূনবা মীফম অদুনা মতম অদুগী অঙ্গামি জাপু ফিজোগা লুচিংবশিং অসিগা কোহিমাদা চৎতুনা উনরুনবা অচেৎপা ৱারেপ লৌখি। থবক অসি পাঙথোক্লবা হিজম ইরাবত অমসুং কুকি নেসনল এসেমব্লিগী শক্লাইরবা লুচিংবা মিষ্টর লুনে অনীদা শিন্নখি। মখোয়গী কোহিমা খোঙচৎকী পান্দমদি এন এন সিগী লুচিংবশিং নিংথিনা উনদুনা মণিপুরগী মাও অমদি উখ্রুলগী মীয়ামদা তোখায়-তাননবগী পোলিটিকেলগী ঈথিল পীরক্তনবা চপ চানা ঙাঙনবা অমদি নাগা ঈহৌ অদু কুপ্না থিজিনবা চৎপনি। মখোয়গী মমল লৈরবা খোঙচৎ অদুমক্না চীংমী তম্মী ঐখোয় খুদিংমক্কী অপূনবা লিচিংদা ইনোৎ পীবা ঙমখি।

এম দি য়ুগী মীফম অদুনা পুৱারীগী খোঙচৎতা অৱা-নুংঙাই কয়াদা অমত্তা ওইনা শরুক য়ামিন্নরক্লবা চীংমী তম্মী ফূরুপ খুদিংমক লৈবাক্কী অপূনবা ঙাকমিন্ননবা, পুকচেল তিংনা অমদি থাজননা হিংমিন্নবা অমদি অপূনবা থৌদাং লৌমিন্নবগী অচেৎপা মশক অদু শেংনা তাকখি। অদুমক্না ঙসিগী মীরোল ওইরিবা মণিপুরী খুদিংমক্না চীংমী তম্মী ইপা-ইপুশিংনা থম্বীরম্বা লীচিং অসি মতম চুপ্পগী ওইনা কায়হন্দনা থম্নবা হোৎনগদবনি। অসিগুম্বা ফিরেপ অসিদগী হেন্না মমল লৈবা ৱাখল্লোন অমত্তা লৈরোই হায়না লৌই।

লৈবাক্কী অপূনবা হেন্না চেৎশিনহনবদা অমদি ফূরুপ মশেলগী মরী মপূং ফাহনবদা তঙাইফদনা অফবা লৈঙাক চঙই। মশাগী তোপ-তোপ্পা শক্তমগা লোয়ননা লৈরক্লিবা মণিপুরগী চীংমী-তম্মী মীয়ামগী নুংঙাই-য়াইফবা পুন্সি মহিং অমা ঙসিগী মোর্দন ষ্টেট অসিগী (চীংমী-তম্মীনা শেম্বা) বি জে পিগী চুংশিন্নবা লৈঙাক অসিনা পীবা ঙমদ্রি। মীওইবগী চৎনবা য়ুল্লিং-খুল্লিংবা অমদি লৈতাবা পুন্সি অমা ওইহনবদা চঙবা তঙাইফদবশিং লৈবাক অসিগী কেপিটেলিষ্ট লৈঙাক্না মীপুম তিংনা ফংহন্নবা হোৎনদ্রি। মসিগী মথক্তা ষ্টেট অসিগী অয়াম্বা শরুক ওইরিবা চীংগী মনুং হঞ্জিনবা, লম্বী-থোং ফত্তবা মফমশিংদা হৌজিক মতমগী চাওখৎপগী মঙাল য়ৌগদবা য়াম্না ৱাৎলি। অসুম্না তম্পাক্তসু মফম কয়ামরুম লৈরি। মীয়াম থবক পীননবা, চীঞ্জাক মরাং কায়না পুথোক্লবা, লায়েংনবা, লাইরিক-লাইশু তম্নবা খুদোং চাবশিং পীনবা লৈঙাক্না হোৎনদ্রি। মমিংতগী ওইনা থৌশিল-থৌরাং খরতমক পায়খৎলি। সোসিও ইকোনোমিক্কী য়ুম্ফমদা জেনরেল, কাষ্ট, ট্রাইব হায়না সোসিএল কেটেগোরিশিং খায়দোকপনা ফূরুপকী অপূনবা লীচিংদা কায়হল্লি। ষ্টেট অসিদা খুন্দা লৈতারিবা মীওই ফূরুপ কয়ামরুম অসিগী কলচর, লোল য়োকখৎনবা হোৎনবা অসুক্কী মতিক ৱাৎলি। অসিগুম্বা ফীভম অসিদা চীংগী অপীকপা ফূরুপশিং মশাগী শক্তম ঙাক্লবা হোৎনবদা অৱাবা মায়োক্লরি। অসুম্না ওইরিবা ফীভম অসিদা মীয়াম হিংবদা অৱাবা মায়োক্লরি। শেল-থুমগী ফীভম ফত্তে, মশা-মশাগী হিংনবা হোৎনরকই। মসিদগী চীং-তমগী অপূনবগী ৱাখল্লোন পুদুনা চৎলিবা সোসিএল ইন্সটিট্যুসনশিং নোংম-নোংমগী মীরাইনরকই, মথৌ তৌরক্তে। মথৌ তৌবা তারবসু মমিংতগী ওইনা পাঙথোক্লুরকই। মসিদগী ফূরুপ মশেলগী মরী লাপথোক্লুরকই। ঈ মরী, হৌরকফম পুনবা, খোয়রি লিশাং তিন্নবা অমত্তা ওইবগী লীপুন অদু মাঙলকই। ফূরুপ অমখক্কী মনুংদা ফাওবা ক্লান্নিজম অমসুং জিও - পোলিটিক্সকী অখুবা মীৎয়েং শাগৎনরকই। হিরম খুদিংমক্তা কা হেন্না মথৌ তৌদ্রবা ষ্টেট অসিগী লৈঙাক্না মীয়ামগা তাম্নরকই। মরম অসিদগী মণিপুরগী অপূনা শক্তম অমদি ফূরুপ মশেলগী মরীদা হকথেংননা ফত্তবা শাফু কয়া পীরকই।

চীংমী-তম্মী অনীমক্কী কলচর অমসুং শক্তম ঙাক্লবগীদমক ফূরুপ খুদিংমক্না য়ান্নরবা লোশিং শেম্বা তঙাইফদে। মসিগীদমক চীং-তমগী লূপ, সিভিল সোসাইটি, ফূরুপ খুদিংমক্কী ওর্গনাইজেসনশিং অমত্তা ওইবা ৱাখল মীৎয়েংদা চঙশিনবা মথৌ তাই। চীংনা অমা, তমনা অমা চৎনবী ওইরিবা হৌজিক্কী মতৌ অসিনদি মণিপুরী য়েলহৌমীশিং মতমগী ঈচেল অসিদা মশাগী শক্তম ঙাকপা, কলচর য়োকখৎপা, শেল-থুম অমদি লৈঙাক্কী ফীভম ফগৎহনবা ঙল্লোই। ঐখোয় মশেল হান্না পূনশিন্দ্রিমখৈ অনৌবা আশা, অফবা লৈঙাক, হেন্না চেৎশিনবা মরী, নুংশি চান্নবা অমদি অমনা অমবু তেংবাঙবগী লীচং অমসুং ফূরুপ খুদিংমক চাওখৎপা কৈদৌনুংদা ঙল্লোই। অপূনবা শক্তম অমসুং অপূনবা লীচিং হেন্না মপাঙ্গল হাপকদবা অপূনবা হিষ্ট্রিগী অফবা তাঙ্ককশিং ঐখোয় কাউথোক্লুগুমসি। হৌখ্রবা নিংথৌ লৈঙাক মতমগী পামদবা থৌদোক অমসুং তাঙ্ককশিংবু ঙসিগী লেপ্পা লৈতনা চাওখৎলক্লিবা দেমোক্রেসিগী মতম অসিদা নীংশিংনদুনা লৈরবদি ঐখোয় মশেল খায়বুং-খায়বুংনবা নত্তনা অফবা ওইরোই। মহৌশানা মীওইবগী পুৱারীদি পোজিটিভ অমদি নেগেটিভ ওইবা মচৎ অনীনা ইতোৎ-তোৎশিন্নবা শেম্লিবনি। ঙসিগী মালেমদা চাওখৎলবা ফূরুপশিংনা হায়নরি, মদুদি, ‘History should unite the people, not divide the people’ চীংমী-তম্মী খুদিংমক্কী অপুনবা মণিপুরবু হেন্না চাওখৎহনগদবনি। অচৌবা ৱাখল খনগদবনি, ঐখোয় মশেল হেন্না অমনা অমবু তেংবাঙনগদবনি। অমগী নুংঙাইবদা অমগী চিরবা তানফমদা খোঙফম চেৎনা লেপ্তুনা শরুক য়ামিন্নগদবনি। মপালগী ঈথিল অমত্তনা মণিপুরগী নেস্নেলিজম অমদি নেসনহুদতা অকায়বা পীহল্লোইদবনি। অপূনবগী ঈচেলবু হেন্না তরু-তরুনা পুথগদবনি। অপূনবা পাঙ্গল, থৌনা লিংজেল, হৈ-শিংবা অমসুং শূ-নোম্বনা মালেমগী চাওখৎ লমচেলদা মণিপুরীশিংনা মাঙজিল থানা হোৎনগদবনি।

মণিপুরী খুদিংমক মরমদম ওইরিবা ষ্টেট অসিগী অপূনবা শক্তম ঙাক্লবা অমসুং নীংশিংবা থোক্ত্রবা মতমদগী অৱা-অনা শরুক য়ামিন্নদুনা মচিল-মনাও ওইনা লৈমিন্নরক্লিবা ফূরুপ খুদিংমক্না হেন্না অচেৎপা মরী শাগৎপা তঙাইফদে। ইরোয়ননা সেন্ত্রেল গভর্ণমেন্টনা চীংমী-তম্মী কায়ননবা শিল্লকপা থৌশিল, দিভাইদ এন্দ রুলগী থৌওং অমদি হৌজিক এন দি এ লৈঙাক্না মণিপুরগী ৱাথোক থৌওইনা লৌদ্রিবা কয়াসি থৌনা লৈনা থেংনগদবনি। ঙসিগী মীরোলনা অসুম্না থৌগাই পাংবনা অদুঙৈ লুচিংলেন হিজম ইরাবতকী লমজিং মখাদা শেমখিবা চীং-তমগী অপূনবা (য়ুক্তো ফ্রন্ট) অদুগী মচৎ অদু মখা তানা পুথবনা তশেংনা নীংশিংবা হায়বদু ওইগনি।

এম দি য়ু মীফমগী ৱাখল্লোন মখা তানা পুখৎনবগীদমক চীং-তমগী লুপ। মীহুৎশিং পুনশিন্নদুনা মণিপুরগী অপূনবা শক্তম কন্নবা অচেৎপা ফিরেপ লৌমিন্নবা, অপুনবা ফ্রন্ট শেমদুনা মখা তাবা অচেৎপা লীপুনগী খোঙজংশিং চঙশিমিন্নবা, পেন্নদ্রিবগী ঈহুলশিং খঙদোকমিন্নদুনা চান্ন-চিন্নবগী ৱারোইশিন পুরক্লবা হোৎনমিনবা, মতম অমদা লুচিংলেন ইরাবতনা তকশিনখিবা মপূং ফাবা হক লৈবা (পুর্ণদয়ীত্বশীল / ফুল রেস্পোন্সিবল) লৈঙাক্কী ৱাখল্লোন মখা তানা পুখৎতুনা তকশিনমিন্নবা কয়া অসি মাঙদা থমদুনা চঙশিনমিন্নবা মরু ওইবা ইস্যুশিং মদুদি - মণিপুরদা গ্রেটর ওটোনোমি শক্তি পীহন্নবা, ষ্টেট অসিগী হেন্না মপূং ফাবা হক তানমিন্নবা, মণিপুরগী অপূনবা শক্তম হেন্না চেৎশিনহন্নবা, অমত্তা ওইবগী লীপুন হেন্না শাগৎপা, চীংমী-তম্মী থোং মান্ননা চাওখৎমিন্নদুনা তংদু লৈতানা হিংমিন্নবা ঐখোয় পূন্না চঙশিনমিন্নবনি।

হৌখিবা মে তাং ৩দগী থা ৭ লোম মৈ হৌনা চাক্লিবা লৈবাক্কী ফীভম অসিদা য়ুনিয়ন অমদি ষ্টেট লৈঙাক্না তূমিন্না লৈশিনবগী মহুত্তা -

- খুদক্তা মপান্দগী চঙলকপা কুকী লালহৌবশিং অমদি সূ চৎনরিবা কুকী মিলিটেন্টশিংগা ইন্দিয়া লৈঙাক্না সিজ ফয়ার তৌনদুনা পোলিটিকেল সোলুসন পুরক্লবা হোৎনৌ।
- ক্রাইসিস অসিগী মতাংদা এসেম্ব্লী মীফম অথুবদা কৌদুনা, ৱারোইশিন পুরক্লবা হোৎনৌ।
- লাঞ্জেন্নরক্তুনা রিলিফ কেম্পতা লৈরিবা মীওইশিং মশা মশাগী লৈফমদা হঞ্জিনহন্নবা লৈঙাক্না অথুবদা থবক পায়খৎলু।
- অশি-অনা, য়ুম-কৈ অমদি মরল-মথুম মাঙ-তাকখ্রবা মীয়ামদা কম্পেন্সেসন পীনবা থবক অথুবদা পায়খৎলু। ●

পাউচে অসিদা ফোঙজরিবা ৱারেংশিং অসিগী ৱাখল, মীৎয়েং অইবা মশা মশাগীনি। পাউচে অসিগী ৱাখল্লোন অমসুং মীৎয়েংগা থোইদোক্না মরী লৈনদে।